ওনলাইন ক্লাস তৌবগী মথৌ তাবরা

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

সাইন্স অমদি টেক্নোলোজি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মালেমগী মফম অয়াম্বদা ইন্টরনেটকী মতেং লৌদুনা ওনলাইন ক্লাস তৌবসি য়াম্না চৎনরে। মসি লাইরিক তম্বগী হীরমদা খক্তা নত্তে অতৈ হীরম কয়াদসু শীজিন্নরি। খুদম খরা পঞ্জরবদা বিজিনেস মীটিং, শান্ন-খোৎনবা অমদি ফিজিকেল এদ্যুকেসন ক্লাস, টেলিমেদিসিন হায়বদি ডাক্তরশিংনা ইন্টরনেটকী মতেং লৌদুনা অনাবশিংদা লায়ওং খঙদোকপা অমদি পাউতাকশিং পীবা অসিনচিংবনি। য়ামখ্রে ইন্টরনেটকী মতেং লৌদুনা ওনলাইন্দা তম্বা যাবা, তৌবা য়াবা থবকশিংসে। অদুবু ঙসিগী ৱারেংসিদি লাইরিক লাইশু তম্বগী মতাংদা টাইৱান্দা ওজা অমা ওইনা থেংনজরকপা অফ-ফত্ত খরদং ময়ামগী মফমদা পাউদমজগে।

মমাঙ চহী ২০২০গী জন্যুৱারী থাদা টাইৱান্দা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি হেক য়ৌরকখিবা অদুদগী টাৱানদা টাইৱান লৈঙাক অমদি লোকল লৈঙাকশিংনা য়াম্না চেকশিনবা খোঙথাং লৌখৎতুনা মহৈরোয়শিংনা মহৈশঙশিংদা তমগদবা মহৈ খুদিংমক ক্লাসতবু ওইরবসু নৎত্রগা ওনলাইনদবু ওইরবসু নোংমা ফাওবা চিংখদনা ক্লাস লৌদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবা। অদুম ওইনমক হৌখিবা চহী ২০২০দা কোভিদ পেন্দমিক মনুংদা মহৈ তমখিবগা হন্দক কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎ অসিদা তম্বীবগদি খেন্নৈ। কুমজা ২০২০গী কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মতমদনা মহৈশঙশিংগী থোঙ্গালদনা খূৎশেমগী খাঙপোকশঙ থমদুনা, infrared thermometer খিন্দুনা হকচাংগী অঙৗং অশা (বোদি টেম্পরেচর) য়েংদুনা চঙহল্লি। মদুগী মতুংদা ক্লাসরুমশিং অদু মহীক-মতাই হাৎতোক্লবা মহীশিং (দিসইনফেক্টেন্টস) ক্লাস অমদি ওফিসশিংদা থমদুনা, শীজিন্নদুনা শেংদোকই। লোয়ননা, মহৈরোয় খুদিংমক মশা মশাগী খূৎশা শেংনা থম্নবা হেন্দ সেনিটাইজর স্প্রেশিং পুজদুনা শীজিন্নৈ অমদি ওজাসু মহৈরোয় খুদিংমকসু মাস্ক উপ্পুনা ক্লাস লৌই। মতৌ অসুম্না কুমজা ২০২০গী সেমিষ্টর অনীমক নোংমতসু ক্লাস মাঙবা লৈতনা মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা ঙমখিবনি টাইৱান্দা।

অদুবু হন্দক্কী কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিনা য়াম্না কনবগা টাইৱান লৈঙাক্না চেকশিনহৌদবা অমদি চেকশিন খোঙথাং লৌহৌদবনা অনীশুবা লাইচৎ অসি অসুক্কী মতিক থুনা শন্দোরকখি লোয়ননা শিবগী চাংসু খংৱাং ৱাংখৎলকখিবনি। ফীভম অসিদা মমাঙ চহীগুম ক্লাস লৌবদি ওইথোক্তবনিনা ওনলাইন ক্লাস চথখিবনি। টাইৱানগী মহৈশঙ খুদিংমক্তা, হায়বদি ইলিমেন্টরি স্কুলদগী হৌদুনা য়ুনিভর্সিটি থাক ফাওবা ওনলাইন ক্লাস চথদুনা নোংমতসু মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা লেপখিদ্রি। ঙসিদি কালেন ছুটি থারে, মহৈশঙশিং ক্লাস থোঙ লোল্লে অদুবু ওজাশিংগী অমদি মহৈশঙ ওফিসশিংদি অদুম হাংলি মহৌশাগুম ওজাশিং অমদি ষ্টাফশিংনা মখোয় মখোয়গী মথৌ তৌজনবা হায়দুনা।

ওনলাইন ক্লাস তৌই, ক্লাস অমত্তা মাঙহন্দে হায়দুনসু খুদিংমক ফরে হায়না লৌবদি লানগনি। ঐহাক্না থেংনজবা ওনলাইন ক্লাস তৌবগী অৱাৎপা, মাঙজবা খরসু থমজগে। মহৈরোয়শিংনা য়াম্না শাংনা-শাংনা নোংমদা পুং ৪দগীনা ৮ ফাওবা ফমদুনা মোবাইল ফোন, টেব্লেট নৎত্রগা লেপটোপ, কম্প্যুটরনচিংবগী স্ক্রিন্দা য়েংদুনা ক্লাস চথবসি মীৎতা অমদি হকচাংদা ফত্তবা য়াম্না পুরকই। লেপটোপ অমদি কম্প্যুটরদি খরবু ফরি স্ক্রিন খরা পাকপনিনা। অদুবু মহৈরোয় অয়াম্বা মোবাইল ফোন শীজিন্নৈ, কম্প্যুটর শীজিন্নবদি য়ামদে। মোবাইল ফোনগী স্ক্রিনসিদি হেন্না পিকপনা য়াম্না ফোকস তৌনা য়েংবনিনা অমুক্কা হেন্না শোকহল্লি মীৎতা। মসিগী মথক্তা কুইনা ফমজিন্দুনা ওনলাইন ক্লাস তৌবসিনা ওজাসু মহৈরোয়শিংসু হকচাং লূমখৎপা, হৈনীংদবা, চানীং-থকনীংবা ফাওদবনচিংবগী ফত্তবশিং অসি লাকই। মরম অসিনা মমা-মপা, গর্জিয়ানশিংনা মখোয় মখোয়গী মচাশিংবু ক্লাসকী মরক্তা মিনট খরা অহাঙবা লৈবা মতমদুদা মখোয়না ফমদুনা ইন্টরনেট সর্ফ তৌবগী মহুত্তা মোবাইল ফোনদু থমদুনা ঙাইহাক হকচাং থেকতোক-থেকচিন তৌনবা, অচাপোৎ, ঈশিংনচিংবা চা-থকহন্নবা হায়বীগদবনি। খ্বাইদগী ফৱদি ক্লাস লোইরকপদা নুংতিগী য়ূমদা শাজেল খরা তৌহনবা অসিনি। মসি তরাই তরাই লৌবীবা চুমদে মমা-মপা অমদি গজিয়ানশিংনা।

ইরমদম কংলৈপাক্তদি মহৈ তম্বীবগী লম্সি য়াম্না চাং নেম্না লৈরি। মতম কয়াদি কুইরে, শাংলক্লে ইরমদমগী মহৈরোয়শিংনা মহৈ নীংথিনা তম্বা ফংলক্তবা। ঙাইহাক লৈরগা বন্দ, ঙাইহাক লৈরগা প্রোটেষ্ট, ঙাইহাক লৈরগনা অমা তৌদুনা ক্লাস তৌদে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা প্রোফেসর পান্দে লৌথোকপগী মতাংদসু কয়াম কুইনা অমুক মহৈ তম্লুদ্রে। অদুদগী কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লাকখিবনা মতম শাংনা ক্লাস তৌবা য়াদবনা মহৈশঙ লোনশিন্দুনা কালেন ছুটি থাদোকখ্রে। অদুগা সেকেন্দ ৱেভ অসি লোইদ্রিঙৈসিদা থর্দ ৱেভ অমুক লাকপগী থাজবা লৈরি। পেন্দমিক লৈ হায়দুনা কালেন ছুটি সুম থাদুনা মহৈ তমদবদি অফবা ওইরোই। মরম অসিনা ওনলাইন ক্লাস তৌদুনা মহৈ তম্বা হায়বসি নাম্তোকপা য়াদ্রবা খোঙথাং অমনি। মসি নৎত্রদি ঐখোয়গী মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা ফংদদুনা ঐখোয়গী খুন্নাইসি মাঙদা চঙশিনবা ঙম্লরোই, তুংদা সুম লৈহৌরনি।

ওনলাইন ক্লাস তৌবগী মথৌ লৈরবনিনা ইরমদমগী লৈঙাক্না ওনলাইন ক্লাস তৌবদা মথৌ তারিবা মোবাইল ফোন, ৱায়-ফাই, ইন্টরনেট কনেক্সন ফংহনবীবা মথৌ তাগনি। মোবাইল ফোন, টেব্লেট, লেপটোপ, কম্প্যুটর অমদি ৱায়-ফাই, ইন্টরনেটনচিংবা য়াওদনা ওনলাই ক্লাস চথবা ওইথোক্তবনি। পোৎলমশিং অসি লৈবা-লৈতবা ইমুং-ইমুংদুগী মথৌনি হায়না লৈঙাক্না লৈথোকপসু লানগনি। ইরমদমগীদি মহৈরোয় অয়াম্বনা স্মার্ট ফোন লৈনদে হায়না খল্লি, মরু ওইনা ইলিমেন্টরি অমদি হায় স্কুল তল্লিবা মহৈরোয়শিং। মসিগী অৱাৎপা অসি কোক্নবা স্মার্ট ফোন লৈজদবা, ইন্টরনেট কনেক্সন লৈজদবা ইমুংশিংগী মহৈরোয়শিংদা মোবাইল ফোন অমদি ইন্টরনেট কনেক্সন ফংহন্নবা লৈঙাক্না হোৎনবীবা মথৌ তাই। লেম্না পীবিবমক ঙমদ্রবসু শেল নেম্না লৌদুনা নৎত্রগা শেল তিংদনা মতম খরগী ওইনা ৱাইহন্দুনা ওনলাইন ক্লাস য়াওজবা ঙম্নবা লৈঙাক্না শীনবীগদবনি।

অদুগা অমনা, ওনলাইন ক্লাস তৌরিবনি হায়দুনা টাইৱানগুম ক্লাসতা তল্লিবা অদুগুম মতম চপ মান্ননা, শাংনা তৌহনবসু মথৌ তাদে। ক্লাসতা থল্লিবা মতমদুগা চপ মান্ননা ওনলাইন ক্লাসতা তম্বীবনা ওজাসু, মহৈরোয়সু পূন্না ৱামিন্নৈ টাইৱান্দা। মরম অদুনা ওনলাইন ক্লাস মতম অসি তেম্থনা তৌবনা মহৈরোয়শিংনা হেন্না নিংথিনা, পূক্লিং চঙনা হকচাংদা ইশোক-শোক্তনা তম্বা ঙমগনি লোয়ননা ওজাশিংনসু পূক্লিং চঙনা ইৱা ৱাদনা তাকপীবা ঙমগনি। ওনলাইন তৌবসিনা হেল্লি ৱাবসে ক্লাসতা তাকপীবদগীদি ওজাদসু, মহৈরোয়শিংদসু।

লোইশিল্লকপদা, পেন্দমিকনা, বন্দনা, প্রোটেষ্টনা, ৱারনা নৎত্রগা নেচরেল দিজাষ্টরনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা ওনলাইন ক্লাস তৌবগী মথৌ তারবদি লৈঙাক্না ইরমদম কংলৈপাক খুন্নাই অসিগী তুংগী খনবীদুনা য়ারিবমখৈ মহৈরোয়শিংবু মতেং পাংবীদুনা মহৈ নীংথিনা তম্বা ফংহন্নবা হোৎনবীগদবনি। অদুগা ওনলাইন ক্লাস তৌরবদি ক্লাসকী মতম তেনশিন্না তম্নবা লৈঙাক্না শীনবীগদবনি। খরা তেনশিনবা অসিনা মহৈরোয়শিংনা পূক্লিং চঙনা, হকচাংদা ইশোক শোক্তনা মহৈ তম্বা ঙমগনি। লোয়ননা ওজাশিংনসু ইৱা ৱাদবীদা পূক্লিং চঙনা তাকপীবা ঙমগনি। মহৈরোয়শিংবু মহৈ নীংথিনা, চাং নাইনা তমহনবা হায়বসি খুন্নাই অমগী চাওখৎপদা চঙদা য়াদ্রবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌবীদুনা ইরমদমগী মহৈরোয়শিংনা মহৈ নিংথিনা তম্বা ঙমজনবা পাল্লিবা লৈঙাক্না হোৎনবীয়ু। য়াইফমিন্নরসি। ●

জুন থানা লাকপদা-২

- ডা. এম নরা -

প্রাক সহরদগী সোভিয়েট য়ুনিয়ন পাংলক্লিবা ত্রেন অসি অখন্নবা ফজরবা ফর্ষ্ট ক্লাসকী দবা ঙাক্তনি। জুন ২৭কী নুংথিল পুং ৪ তাবদগী ত্রেন অসি থৌবা হৌরকখি। ওন্থোক্লা ফজরবা মশা নানখ্রবা ত্রেন অসিগী দ্রাইভরশিং লোয়ননা ইন্সপেক্টর অমদি ষ্টাফ মেম্বর পুম্নমক নুপী ঙাক্তা ওইরমই। তনাব-তনাব্লবা শাওং-শাদা, ব্লু মচুগী য়ুনিফোর্ম অমসুং তুপী পুম্নমকসিগী মথক্তা ঔনা ফজরবা কুচু অমদি চীং-লেল্লবা ব্যবহার। স্পেসিয়েল ত্রেন অমনি হায়জখ্রে, কেবিন অমমমদা ফমুং মরি/মরি (মথক-মখা), মোন্দুম-মোন্তেক ঙাক্তনি, থোঙনাওগা তাইনবা নাকল অমদা শাংনা কার্পেৎ থাদুনা লম্বী ফাৎলি, কা পুম্নমক লোইনা লম্বী ফাওনৈ। নুমিদাং পুং ৮/৯ তারকপদদি নুমিদাংগী চাকলেন চাবা মতমনি। দেলিগেট পুম্নমক মাগী-মাগী কাদা হান্ননা ফজনা পেকেৎ-পেকেৎ শেমদুনা থনল্লবা চাকলেন অদু লৌখৎনরগা তুম্নবসু য়াওনখ্রে। নোংয়াই খজিক্তং হেল্লকপা মতমদা চেকোস্লোভাকিয়াগী অরোইবা রেল ষ্টেসন, সোভিয়েট য়ুনিয়নগী বোর্দর য়ৌরক্তুনা ইমিগ্রেসন চেক তৌবগী তাঞ্জাদু য়ৌরে। ময়াম পুম্নমক্তু মথং-মথং হৌদোক্লদুনা পাসপোর্ট অমসুং ভিজা চেক তৌরিবসি ত্রেন মনুংদনি। য়াম্না নুংঙাইরবা কুম্মৈ অমা থেংনরে। মদুগি ঐখোয় পুম্নমক গাড়ী মনুংদা মাগী-মাগী কাদা লৈ অদুবু ত্রেন অদুদি হোংদৌরিবনি। করম্না? সোভিয়েট য়ুনিয়নগী মনুংদা চেল্লিবা ত্রেনশিংগী তালিনা লাওবা হেনবা। মরম অদুনা ত্রেনগী বোগীশিং অদুখক্তং হায়দ্রোলিক প্রেসরনা পমদুনা থাংলগা হান্ননা রেলৱে ত্রেক্ট মথক্তা লৈরিবা চাকাশিংদা ফিট তৌবনি। ইমিগ্রেসন চেক তৌবা লোইরকপগা ত্রেনগী চাকা শিন্দুনা বোগী ত্রান্সফর তৌবা লোইবগদা চাওরাক্লা পুং অমা মখায়গী মনুংদা পুমলোই লোইরগা ত্রেন অদু অমুক থৌবা হৌই। ঐখোয়দদি চান্ননা অঙকপা অমা ওইনা থোকখি। তূমদুনা লৈবা মীওই অমদদি করিমত্তা খঙবা নত্তে, মঙগুম্বনি। অসুম্না লাকপনা মথংগী অয়ুক পুং ৮ লোম তাবদা লেনিনগ্রেদ (হৌজিক্তি সেন্ট পিটর্সবর্গ কৌরে) রেল ষ্টেসন্দা থুংলরে। ঐখোয়বু ওকপীরম্বা মরুপশিংনা ইন্দিয়ান দেলিগেটশিং অমসুং অতৈ দেলিগেটশিং তোঙান তোঙান্না খায়দোকপীদুনা চান্ন-চান্নবা প্রোগ্রাম শিন্দোকপীবা হৌরে। জুন ২৮দনি ঐখোয়না সেন্ট পিটর্সবর্গতা থুংলরিবসি। মরমদি জুন ২১দগী ২৯ ফাওবসি সেন্ট পিটর্সবর্গতা নুমিৎ তাদবা মতমনি। হায়রিবা মতমসিবু “হ্বাইট নাইট্স” হায়না খঙনৈ। মসিগী নুমিৎ ৮নি অসিদা মালেমগী লমকোয়বশিং মশীং লাকঙমদনা লাক্তুনা পুন্সিগী কাউরোইদবা থৌদোক অমা ওইহন্নরি। মরম অসিমক্লনি ঐখোয়সু মতমসিগী মনুংদা সেন্ট পিটর্সবর্গতা লৈনবা প্রোগ্রাম শীল্লিবসি।

বালতিক সমুদ্রগী খোংবাল অমসুং গল্ফ ওফ ফিন্দলেন্দগী সমুদ্র খোংবাল নাকল অনীমক্তা মীনা চিক্লা চাইনা ঙমদমখৈ অহিং তূম্নদনা নুমিৎ তাবা নাইদ্রবা অহিংগী শক্তম য়েংবা লাক্লরি। অমম্বা লৈত্রবা, অকি-অখং য়াওদ্রবা, ঈংলবা সমুদ্রগী নামিবা নুংশিৎনা হকচাংদা য়ৈরকপদা তেকখৎলবা পাঙ্গলগা লোয়ননা চোকথবা নাইদনা কিলোমিটর কয়া ৱারী শার-শারদুনা চৎপদা অহিং হৌখিবা খঙহৌদে।

ৱাহৈ খরদং খোৎচিঞ্জহৌই ঐগী দাইরিদা অসুম্না :-

-কালেন থানা লোইরকপা, ইঙা থাগী থাজিন্দা অহিং লাইরেম্বী নিদ্রানা খোঙদাদ্রবা মফমনি, অহিং ঈচিক হুন্দ্রবা, খোল্লেন তূমখুন তান্দ্রবা অহিং ওইদ্রবা অহিংসে ‘হ্বাইট নাইট্স” কৌইদো, তাইবঙ কুম্মৈ ওইনবা মহৌশা লাইরেম্বীগী খুদোলনি।

- নোংপোক নোংচুপ অনীগী থোঙগী পৌরোন হাংদোকফম, ধর্ম্ম, সংস্কৃতি, বিজ্ঞানগী ত্রিবেনি সঙ্গম ওইরিবী, নেপোলিয়ন, জার, হিট্লরবু মায়থীবা পীখিবা লমদমনি, মালেম শিন্থুংনা ফাওখিবা গোর্কি, পুসকিন, তোলষ্টোয়, অইবশিংগী পোকফমনি, সভ্যতাগী মঙাল হৌফমনি।

- সহরলক্তে অথোইবী, খ্বাইদৈ হেনবী মিংথোনবী, নীংতম্বৈ ঈচেলদা অনৌবা ঈনোৎ হাপখিবী, পৃথি থক-খা নিকখিবী - নুমিৎ তরানিগী ঈহৌদো, ওক্টোবর সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুস্ননি, লেনিনগী লমজিং মখাদা, বোলসেভিক পার্টিগী।

- মালেমগী শুরি নোল্লিবা লায়র অনং’ পূম্বগী নীংতম্বগী ঈহৌদা মায় পাকখিবা লমলেননি, মিংথোন কয়ানা লৈতেংবী, শক্লে শোন্নৈ তাইবঙনা সেন্ট পিটর্সবর্গ, পেত্রোগ্রেদ, লেনিনগ্রেদ শকহেনবী ‘বিপ্লবকী নাওশুম’ নীংথিবী, Oh! "Cradle of Revolution"! How great you are?

জুন ৩০দদি ঐখোয় মোস্কোদা থুংলরে। মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা হোটেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হোটেল রুসিয়াদা লৈরে। ফমুং লিশীং তরেৎ লৈবা চাওখ্রবা হোটেল অসিগী গেট মরি লৈ মদুদি নোংপোক, নোংচুপ, খা, ৱাং। গেটশিং অসি লোইনমক ইমান্দা মান্নৈ, করিগুম্বা গেট ওন্নখ্রবদি ইশাগী কা থিবা শুকফং ফংদে। নুমিৎ অদুগী নুমিদাংৱাই পুং ৬তগী সিটি টুর হৌই। সহর ময়ায়দা চেল্লিবা মোস্কোভা তুরেলদা হি তোংদুনা কোয়বনি।

মথং নুমিৎতুনি য়াম্না মরু ওইখিবদি। ব্রেকফাষ্ট মতুংদা পুং ৯.৩০দগী ঐখোয় খোঙনা ক্রেমলিনগী রেদ স্কোয়ার ফাওবা পরেং লাকখি। নকপননি খোঙনা লাকখিবদু। অদুগা মশীং লাকঙমদ্রবা মীওই কয়ানা পরেং নাইনা লেপ্পুনা ক্রেমলিনদা লৈরিবা লেনিন মৌসোলিয়ম য়েংনবনি লেপ্লিবা ময়াম। ওর্গনাইজরশিংনা পাউ পীরুবদগী ঐখোয় ইন্দিয়ান দেলিগেটশিং অদু হান্নালেনিন মৌসোলিয়ম য়েংবা চঙহল্লে। লেনিনগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং কুমজা ১৯২৪দগী ঙসি ফাওবা মৌসোলিয়মসিদা হৌজিক্ত তূমথখিবদৌনা য়াতারি। চেক-মোক লাওদনা মীয়াম অদু পরেং কায়দনা মিংশেন চন্দুনা লৈরিবা লেনিনগী হকচাংদা লৈ কৎনরগা থোক্লখি। থৌরমসি নুমিৎ খুদিংগীনি। অসুম্না মালেমগী রেভল্যুসন মায় পাক্লা অহানবা মান্নবা খুন্নাই শেমগৎপীরম্বা লুচিংবা অমদা তৌবীমল খঙবা উৎলিবসি ঐখোয়গী তৌফম থোকপা ইথৌ অমনি হায়না লৌজে।

ক্রেমলিন অমসুং মসিগী অকোয়বদা য়েংনীংঙাই য়াম্না লৈ। মদুদি রেদ স্কোয়ার, রুসিয়ন পার্লিয়ামেন্ট (দুমা) রুসিয়ন ওর্থোদোক্স চর্চ অরিবা অমসুং গুম মার্কেটিং সেন্টরনচিংবনি। মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা কাংশি তৌইগুম্বসুং অমুক ফাওবা খিংখিদ্রিবা (ঙক্তক থোকপীরমগনি) ক্রেমলিন মনুংসিদা লৈ। কাংশি অসি পীথ্রাইনা শাবনি, টন মঙা লূমই। মসিবু খিন্নবা হোৎনবদা লূম্মন্দুনা তারকপদগী কায়খিবনি। মরম অদুনা কাংশি অসি অমুক ফাওবা খিংবা নংহৌদ্রবনি। অদুবু ম্যুজিয়মগী পিচ অমা ওইনা রেকোর্দকীদমক থল্লবনি হায়।

নুমিদাংদুদি য়াম্না নুংঙাইখ্রবা রুসিয়ন সর্কস য়েংবা ফংখি। অসুম্না হায়নৈ মদুদি রুসিয়াদা চৎলগা মোস্কো ষ্টেট সর্কস য়েংবা ফংলক্ত্রবদি মহয় য়ানবা খোঙচৎ নত্তে। মোস্কো ষ্টেট সর্কস মালেমগী খ্বাইদগী মমিং চৎলবা পর্মিনেন্ট ওইবা ষ্ট্রকচর লৈবা আর্টফোর্ম অমনি। এক্সত্রা ওর্দিনরি ওইবা অঙকপা আইটেমশিংনা অয়েংবা ভাবোক পুম্নমকপু শুমহৎপা ঙমই। নোংমদা যাত্রিক লিশীং/লাখ লাক্লিবশিং মোস্কো ষ্টেট সর্কস অমসুং বোলসোই ঠিএটর শোয়দনা য়েংনবা হোৎনবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গী গ্রুপ্না হায়রিবা আইটেমশিং লোইনমক য়েংবা ফংলকখি। বোলসোই থিএটরদদি রোমিও অমসুং জুলিএটকী বেল্লেট য়েংলকখি। মালেমগী খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা লৈরিবা আর্টফোর্মশিং য়েংলুবদা থম্মোয়দা চাওথোকচবা অমসুং অপেনবা ফাওখি।

মথংগী নুমিৎতা কিভ সহরদা থুংখি। কিভ য়ুক্রেনগী রাজধানিনি, চহী চুপ্পা শংদুনতা লৈবা ‘ইভর গ্রীন সিটি ওফ দ ৱর্ল্ড’ হায়না খঙনবা লূ-নানবা, ঈশিং নুংশিৎ মোক্তবা সহরনি। এয়রপোর্টতগী সিটি সেন্টর ফাওবদা পুং অমরোম লাকপদা সরক্কী নাকল অনীমক্তা শংত্রিক শংনা চাওবা মান্নরবা উ পাম্বীশিং হৌরিবদু করম্না শেম্বনো হংনীংই। সহর মনুংদুদা মৈখু থোকপা গাড়ী অমত্তা চেনবা উদে, গাড়ীগী হোর্ন অমত্তা খোংবা তারক্তে। ঐখোয়গী টুর গাইদ অদু নুপীনি। মহাক্না মাইক্তা বৃফিং অমা সহর অসিগী মরমদা অমদি য়ুক্রেনগী মরমদা শন্দোক্লা খঙহনবীখি। লৈনীংবা পোৎতি অফংবা মফমদুদগী হেক্তা লৈবীয়ু, অতৈ জগাদা লোইনা ফংলোই। অদুগা মমলগীদমক্তদি সোভিয়েটকী মফম পুম্নমক্তা পোৎকী মমল চপ মান্নগনি হায়। অতোপ্পা পাউ অমনা - সোভিয়েটতা লৈঙাক্কী টেক্স মখল অনীখক্তং লৌই। অমনা (১) ৱেলট টেক্স (মী অমগী ইনকমগী চাংদা লৌবা টেক্স) অনীশুবা (২) পাখং টেক্স (বেচেলর টেক্স), নুপা অমনা মশাগী চহী ৩০ শুরফাওবদা ময়ূম পান্দ্রবদি পাখং টেক্স লৌই।

মথংগী নুমিৎতা ওক্কী ফার্ম অমা য়েংহল্লি। মী লিশীং তরুক হেন্না থবক পীরিবা, য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা চহী অমদা মিট মেট্রিক টন লিশীং কুন্থ্রুমরি সপ্লাই তৌরিবা কোওপরেটিভ সোসাইটি অমনি। ওন্থোক্লা চাওখ্রবা পীগরি ফার্ম অসিগী শক্তম উরুবদা অনৌবা য়ূম্বানলোন, খুন্নাইগী চৎন-লোনচৎ অমদি বিজ্ঞানিক ওইবা খুন্নাই অমা করম তৌনা শাগৎকদগে হায়বা পাড়া তম্লকই। থবক শুরিবা শিন্মীশিংগী নারক-য়েক্লকপদা লায়েংফম অমসুং অঙাংশিংগী মহৈ তম্ফম স্কুলশিং কেম্পস অসিগী মনুংদা লোইনা লৈরমই। ঙক্লা অমদি নুংঙাইনা য়েংলকপা খ্বাইদগী চাওনা মায় পাক্লবা কোওপরেটিভ সোসাইটি অমনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

থা ৩৬কী খূৎশুমল পীবিদ্রবা ভি দি এফ ১৪গী ইমুংদা মতেং পাংখ্রে: এসোসিএসন

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ভি দি এফ পর্সনল ১৪ কুমজা ২০১৮গী ওগষ্ট থাদা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না কম্প্যুটরাইজেসন পর্সনল ইনফোর্মেসন সিষ্টেমস (সী পি আই এস)কী প্রোসেস তৌবদা দোক্যুমেন্ট খরা ৱাৎলে হায়দুনা রিজেক্টেদ হায়বা ওর্দর অমা থোকপীদুনা দ্যুটি তানবা শীল্লগা থাগী ওনররিয়ম পীদনা থল্লকপা চহী অহুম মপূং ফারে। অদুবু মতিক চাবা দোক্যুমেন্ট সবমিট তৌরবসু প্রোসেস তৌবীদনা ঙসি ফাওবা লৈরিবা অসিদা কোভিদ-১৯গী অৱাবা হেন্না ফংদুনা চাদ-থক্তবগী পাউ তাবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসননা ঙসি পীশুমথোং কম্যুনিটি হোলদা লাইবক থিহৌরবা ভি দি এফ পর্সনল ১৪ অদু কৌদুনা নোংমগী চঙদবা যাদ্রবা ফূদ আইটেমশিং- চেঙ কেজি ৫০, অচাথাও কে জি ১, আলু কে জি ২, হৱাই কে জি ২ অমসুং থুম কে জি ১ হকথেংনননা খূৎশিন্নখ্রে। থৌরম অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি দা. এস ইবোমচা এম পি এসকী মীৎয়েং মখাদা এসোসিএসন অসিগী ফন্দদগী তেংবাং অসি পীবনি হায়না এসোসিএসন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙ চহী কোভিদ-১৯ ফর্ষ্ট ৱেভতসু মতমদুগী এস পি কে মেঘচন্দ্র এম পি এসকী মীৎয়েং মখাদা তেংবাংখিবা লৈখ্রবনি। লোয়ননা ভি দি এফ পর্সনল ১৪ অসিনা নোর্মেল সর্ভিসতা হেক হঞ্জিন্দ্রিবফাওবা দ্যুটিদগী খরা রিলেক্স তৌবীনবা মতমদুগী এস পিনা মীনুংশিগী ওর্দর অমা থোকপীরম্বফাওবা লৈখ্রবনি। অদুবু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অসিগী লিগেল এদভাইজরশিংগা তানরগা লোগী মতেং লৌরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা ঐচ সী এম দসু এম ও য়ু অমা পীশিন্নবা শেম-শারগনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, লৈরিবা ইস্যু অসিগা চপ মান্নবা থৌদোক অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিং- ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, চান্দেল অমসুং তমেংলোংদা থোকপা লৈরবসু চহী অমগী মমাঙদা নোর্মেল দ্যুটিদা হঞ্জিলহন্দুনা মথৌ তৌহনখিবা দিষ্ট্রিক্ট কয়া লৈখ্রে। অদুবু ইম্ফাল ৱেষ্টতদি অদুমক নমশিন্দুনা থল্লিবা অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসননা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা অচান-মীরাই নাইবগী থৌদৌ মানবা থবক অসি থাদোকপীদুনা মীনুংশিগা লোয়ননা চহী ৭/৮ হেন্না মথৌ তৌরক্লবা ভি দি এফ ১৪ অসিবু নোর্মেল দ্যুটিদা হঞ্জিলহনবীনবা আপীল তৌরক্লি।

আই এল পিদি চৎনরে, সিষ্টেমদি চৎনদ্রি: ফেদরেসন ওফ হাওমী

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচএনএস): কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ১১দা ইন্দিয়াগী প্রিসিদেন্টনা খূৎয়েক পীদুনা মণিপুরদা আই এল পি সিষ্টেম চৎননবগী অয়াবা পীখি। অদুবু ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্না মপান্দগী চঙলকপা মীতোপশিংদা শেল খরা লৌরগা আই এল পি পীবা অমসুং পাস রিন্যু তৌবা নত্তনা অতৈ তৌবা উদ্রি। মসিমক্লা ইরমদম অসিদা ইন্টর্নেল মাইগ্রেন্টতা নত্তনা এক্সটর্নেল মাইগ্রেন্ট কয়ানা লোন্না অমদি ফোঙনা চঙশিল্লক্তুনা ইরমদমসিগী ভোটর লিষ্টতা হাপচিনবদা নত্তনা ভোট লেপ্পুনা য়েলহৌমী ঐখোয়গী পোলিটিকোল রাইটশিং মত্তুনা লাক্লি হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমীগী প্রিসিদেন্ট সাপমচা জদুমনিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, জিরিবাম এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ভোটর লিষ্টতা লৈবাক অসিগী সিটিজন অমা ওইদ্রিবগী মথক্তা মরী লৈনবা পাসপোর্ট অমদি ভিসানচিংবা দোক্যুমেন্টশিং য়াওদবা বাংলাদেশতগী কুসান লাস্কর (৩৫) অপোকপা এমদি হাক্কিমিয়া কৌবা বাংলাদেশকী চিতাগোং ভিলেজদগী লাকপা মীওই অমনা জিরিবাম এ/সীগী ভোটর অমা ওইনা হাপচিল্লম্বসিনা মসিবু মণিপুর লৈঙাক্না অথুবদা চেক তৌদুনা ভোটর লিষ্টতগী মীতোপশিংগী মমিং লৌথোক্তুনা তুংগী মীরোলগীদমক থবক লৌখৎফম থোকই। বাংলাদেশি অসিবু য়োক্তুনা থল্লম্বা মীওই অদুগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৈঙাক্না লৌখৎকদবনি হায়রি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী নেটিভ পীপলশিং অসিগী ইকোনোমিক, পোলিটিকেল, এদ্যুকেসন অমদি বিজিনেস সেক্টরশিংবু কঞ্জনবা অমদি ঙাক্তুনা থম্নবা আই এল পি সিষ্টেম অসি চৎননবা অয়াবা পীরকখিবনি। অদুবু চহী অমা ফারবা ফাওবা লৈঙাক অসিনা সিষ্টেম অসি মীতোপ চঙথোক চঙশিন্দা পাস পীরগা শেল লৌবদুখক্তনা লোইবদৌনা তৌবসিনা মীতোপ্পা মনিং তম্লকপনি। সিষ্টেম অসিদা য়াওরিবা মরু ওইনা নেটিভ পীপল হায়বসি ঙসি ফাওবদা লৈঙাক অসিনা দিফাইন তৌদ্রি। নেটিভ পীপল দিফাইন তৌদনা কনাবু করম্বা ফুরুপ্পু সিষ্টেম অসিনা খঙগদৌরিবনো ? নেটিভ পীপল দিফাইন তৌদনা থম্বা হায়বা অসিমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী আই এল পি সিষ্টেমগী ওর্দর অদুগী মায়োক্তনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্না মমিংখক্তং ওইনা চৎনরিবা আই এল পি সিষ্টেম অসিবু মথ্বায় হাপ্পুনা মণিপুর মীয়ামদা চপ-চাবা কান্নবা পীনবা হোৎনফম থোকই হায়নসু চেরোল অসিনা অরোইবদা ফোঙদোরক্লি।

প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরবসু লায়েংমল কা-হেন্না লৌবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি: দেসাম

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অনীশুবা চৈথেংনা ইরমদম অসিদা অনা লায়েংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। ফিভম অসিদা মীয়াম্না মশাগী পুন্সিবু কন্ননবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লন্দুনা হোৎনরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরবসু লায়েংমল কা-হেন্না লৌবদগী মীয়ামদা অচৌবা খুদোংচাদবা ঙসিসু মায়োক্লরি হায়না দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লায়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিলগী সেক্রেটরি জেনরেল এম রোজেশনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীয়ামগী খোল্লাওনা লৈঙাক্না কোভিদ পেসেন্টগী লায়েংবগী লৌগদবা লায়েংমলগী নিয়ম শেমখ্রবসু হোস্পিটাল খরদি মদুগী ৱাংমদা অদুম মীয়ামদগী শেল হেন্না লৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা দেসাম ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিলনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হোস্পিটালশিংনা শেল কা-হেন্না লৌরে হায়বা ৱাফম মমাঙদসু থমখ্রবনি। লোয়ননা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, সী এম ও ককচিং অমদি হেল্থ দিরেক্টোরেটনা মীৎয়েং চঙবীনবা হায়খ্রবসু ঙসি ফাওবা অহোংবা অমত্তা লৈবা উদবসি লাইবক থীবনি। মণিপুর লৈঙাক্না থোকপা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী লায়েংমলগী ওর্দরগী মতুং ইন্না পি পি ঈগী চার্জ অসি দোক্টর অমদি ষ্টাফ নর্সশিংনা শীজিন্নবগী মতুং ইন্না পেসেন্টশিংদুদা সব এলোকেটেদ তৌগদবনি হায়রবসু ইমা হোস্পিটাল হায়রিবা অসিদগী পেসেন্ট অমদগী নোংমদা পি পি ঈগী চার্জ লুপা ২,৪৫০ দগী লুপা ৮,৪০০ ফাওবা লৌখি হায়বসি তাবদা অঙকপা পোকই। অতৈ মরম চাবা চার্জ কয়া অমসু লৌশিনবা থেংনরে। হীরম অসিগা মরী লৈননা লুপ অসিনা মখা তানা থিজিনবদা হোস্পিটাল অসিগী লায়েংমলগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি সী এম ও ককচিংদা য়েংশিনবীনবা হায়জরবসু মদুগী চপ চাবা থবক্তি লৌখৎখিদে হায়বসি অঙকপা পোকই।

অসিগুম্বা লৈঙাক্না থোকপা ওর্দরগী ৱাংমদা লৈবা হোস্পিটালশিং অসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা মীয়ামদগী মরম চাদনা লৌখিবা শেল হন্দোকহনগদবনি। লুপ অসিনা মখা তানা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা অতৈ হোস্পিটালশিংদসু মখা তানা য়েংশিল্লগনি হায়রি।

অহকপা চৈরাক পীয়ু: সী পি আই

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচএনএস): লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা দলিত এক্টিভিষ্ট ফাদর ষ্টান স্বামিনা থাসিগী ৫দা মহারাষ্ট্র পুলিস কষ্টদিদা লৈখিদবসি ইন্সটিট্যুশনল মর্দরনি হায়না এম এস সী, সী পি আইনা লৌই হায়না এম এস সী/সী পি আইগী সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা ভিমা কোরিগাও ৱাথোক হৌজিক্লা এলগার পরিষদ কেস হায়না খঙনরবা অসিগা মরী লৈননা এন আই এনা মহাকপু রাঞ্চিদগী ফারগা মহারাষ্ট্রগী তানোজা সেন্ট্রেল জেলদা ফাজিন্দুনা য়ু এ পি এ মখাদা থল্লকখিবনি। মশাগী চহী য়াল্লকপগী মথক্তা অরুবা লায়না কয়ানা নারবা চহী ৮৪ শুরবা দলিত লুচিংবা অসিবু পুলিস কষ্টদিদা ফাজিন্দুনা থল্লবসু মতম চানা লায়েংখিদে হায়রি।

মহাক্না লৈখিদবদা ৱাহং কয়া থোরক্লিবসি এন আই এনা শেংদোক্লবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা মহাক্কী মীশি অসিদা চেন্নবশিং লৈবাক্কী সংবিধাণগী মখাদা অহকপা চৈরাক পীনবা সী পি আইনা তকশিনবগা লোয়ননা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা এন আই এনা ফাজিনখ্রবা লুচিংবশিংবুসু অথুবদা থাদোক্লবা দাবী তৌরি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।